# ঐখোয়গী থাজনবীদা মপোক লাংওনগী ৱারী

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*ইমাই পেম্মা ইমাই পেম্মা মপোক-মপোক খুদিংমক্তা ঐদদি ঐগী ইশুনুপা অসিগী ওক ওইনদি শুংপোক হেক পোকচরোইকো।* অঙাং ওইরিঙৈগী ৱানি। ঐখোয় লৈকায়দুদা মচিং মশোন নাইবা নুপা অমা লৈরম্মী। মীসু তৌই হায়দুনা মাগী ওক অনীখক থল্লম্মী। লোয়নেনা লোয়রদি নীংথিনা য়েংশিনবা, মচিঞ্জাক ফজনা থাকপীবসু নত্তে। ওকখোয়না হায়রিবনা পীবিরো চারগেদনিদো। মচিঞ্জাক ৱাৎলবনিনা ময়াঙদু কংত্রিক কংলদুনা য়েংবদা নুংশিবা অমসু ফাওবজাৎনি। অরাম খৌরাংবগী মৈশাদুনা ওইবজাৎনি ওক্কোন মপাদু ফাওরগা চৎলুবা য়াবা নত্তে, মানা খোংবদো তাবা ঙমদবনি। মদুদা তাদা অদুনা মখূত্তা চৈতুপ অমা পায়রগা ফূথবদুদি, য়েংহৈদবজাৎনি। থৌওংদুদা মখোয়গী অবোক্তুনা মথ্বায় চাক্লা শোঞ্জখিবনি। মতমদুদা খনখি, ঐখোয় মীওইবসে ওক ওইনসু পোকপজাৎনি। মকর সংক্রান্তি নুমিত্তা থোইদিং অমুবনা শেম্বা হৈঙান চাও হায়দুনা ইমাখোয়না হেক হেক পীজখি। হূই ওনখিদনবনি হায়। ঐখোয়না য়াম্না ৱাজখিবসি হয়েং অমুক মপোক্তা তিলাইখোম্বী ওইনা পোল্লুদ্রা হায়বসিনি। মনীং তম্না অতিয়াদা পাইবা উচেক্কী মপোক্তা পোক্লিংবা মতাংসু য়াওখি। নাওরিনা কাপথবীবৈ খল্লুরদি মখোয়গী মপোক ওইনীংদে। ইশম হেক শম্না মীগী মপোক লাংওন্না খ্বাইদগী পাম্নরমদৌবা মাল্লি। তশেংনমক হায়রবদা মী, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাঙ, হৈরাং-লৈরাং, উপান-ৱাপান্নচিংবা অমা নৎত্রগা অমা ওইনা শাইওল্লি হায়বগী থাজনবী লৈ হায়বসিমদি ৱারী লাইরিক কয়ানা ময়েক শেংনা উৎলি। মপোক লাংওন অমদি শাইওনগী ৱারী মশীং লাকঙমদনা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্মী। লাইনা মীওইপোক ওইরকখিবগী, মীনা লাই ওনখিবগী, মখল মথেল কয়ানি। থাজ ৱারী ওইবা ওইদবনা তোঙানবা ৱাফমনি। থম্বীরল্লিবা পূম্মক ঐখোয়গী লেঙদ্রবা লন ঙাক্তনি। অমা অনীদং লৌখৎচগে।

নুমিৎ কাপ্পা পুয়ানা পাউদম্লি মদুদি তাইবঙ মীওইবগী থৱায় হকচাংদি মাঙবা তাবা লৈতে শক্তম অমা নৎত্রগা অমা ওইনা শাইওল্লি। কংলৈদা পানখিবা নুমিৎ সনা খোমদোনগী ময়াম্বুং অহল অদু ফৌহামগুম্না হৈজিং ফাদনা খাঙঙুথক্তা পুন্সি লোমখিবনা লৈনুংদা ফুমজিনখি। মাঙফদ্রবা হকচাং অদুনা লৈশৌ তীন ওনখিবগা লোয়ননা মথং লাংওন্দুনা লোইমোম ফৌ ওইখি। শিনা পোকখিবা অনীশুবা ময়াম্বুং অদুসু শঙাই ওইনা শাইওনখি। অহুমশুবা ময়াম্বুং অদু থকসি খাসি নাইদবা মীবু থওই উশিত্তবা মরম্না মাবু নুংশিদবশিংনা ঙা ফাননবা লূ অচৌবদা নমশিল্লগা ঈশিং মনুংদা লাকশিনহন্দুনা হাৎখি। মহাক্কী ময়ানা লিক্কোন মৰূ অমদি মশম্না লৈরাং লৈশং ওইনা লাংওনখি। *লৈরোল* শৈথাগী মতুংইন্না লৈরাং শা-ঈ-রৈ অসি খ্বাই নোংচেংবম পিবাগী তেন্না কাপথখিবা কংলৈ নিংথৌ নুমিৎ সনা খোমদোনগী ময়াম্বুং তাইহুইরেং অহনবগী ঈনা শাইওনখিবনি। শাকোক লমলেন্না হায়রি - কোন্না চক কৌবা তাংকক্তা লাই অহুম হায়বদি অতিয়া শিদবা, অশিবা অমদি অপানবা থোরক্তুনা তাইবঙ থৱায় পানবশিং নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক্লচিংবা পূম্নমক শেম্বীখি। অপানবনা 'ক' সনা পাখংবা ওইনা ফম্বাল তোংদুনা, অতিয়া শিদবনা মমা য়াইবীরোক অমসুং অশিবনা তাওরোইনাই ওইনা মমৈবু ময়ানা চিক্তুনা লাংওনখি। 'ক' সনা পাখংবনা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মপোক্তা চহী ১২০ পাল্লম্মী। মৈদিংঙু নাওফঙবগী হাক্তক্তা লাইবা কৌবা নুপা অমা অশাংবম শাগৈদা পোকখি। মহাক্লা চহী তরাহুমদোইখক্তমক ঙাইরিঙৈদগী লাইগী মতিক ময়াই চেনবা গুরু অমনি হায়না লৈবাক নিংথৌ য়াওনা মীপূম খুদিংমক্লা কিনা লুনা লৌনরম্মী। মহাক অসি অতিয়া গুরু শিদবগী থৌজাল ফংদুনা মীগী মপোক্তা পোক্লকখিবনি হায়না থাজনৈ। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা অরাম্বম শাগৈগী পিবা ওইবা হোঙবনা লোইবা ওকলেন লাবা পুকচাউবসু লাইগী শাইওন্নি হায়বগী ৱাফমসু অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্মী। মৈদিংঙু ইরেংবগী মতমদা লৈরম্বা গুরু লোখোনবু লাইরেন তাউরোইনাইনা লাংওনখিবনি হায়বগী ৱাফমসু লৈ। মতম অদুদা লৈবাক থুগাইগে হায়না থোরকখিবা অদুবু লাংগোল লোখোনগী মতেংনা খুদুম চনশিনখিবা হুনি অমসুং নারোৎ মখোয় অনী লাইগী শাইওন্নি শীংথারি।

মৈদিংঙু খাগেম্বনা পাল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা ৱাখল লৌশিং চঙখোনবা মতিক মঙান নাইবা মীৎয়েং শানবা মাইচৌশিংগী মনুংদা লাংগোল লুখোই, য়ুম্নাম তোনাবা অমসুং খাইদেম তেনবসু শীংথাবা য়াই। মখোয়বু মৈদিংঙু ইরেংবগী মতমদা লৈরম্বা গুরু লোখোন, হুনি অমসুং নারোৎ অহুম্না শাইওল্লকখিবনি হায়না শাকোক লল্লেন্দা ইরি। ৱারী অমসু থেংনৈ। মৈদিংঙু খাগেম্বগী মজাইবুংঙো সনা ৱাপীহন্না চহী মঙা শুরকপা মতমদা নোঙ্গাখি। কাইনথংদা লাইনিংথৌ সনামহীগী শাইওন ওইবা মরম্না মজাইবুংঙোনা তাইবঙ মীওইবা মরক্তা কুইনা শাংনা লৈরমদবনি হায়বসি ৱারী লাইরিক্তা য়াওরি। পোক্তবী মমাতোন লৌশিগাম চনুনা খাবৈনা থাবদগী মথ্বায় মাঙখ্রবী লাইবক থীরবী হাওসি নমোইনুনা হরি নোংনাং ওইনা লাংওনখিবগী নুংশিরবা ৱারীসু লৈ। লৈরোলদা শৈথারিবা শৈরোলনা পাউদম্লি মদুদি মপোক লাংওনগী ৱারীদা অচেৎপা থাজবা লৈবা ইপা ইপু শৈরেংবশিংনা লৈরাংশিংবু মথ্বায় হাপ্পীরম্মী। খরদং পঞ্জরবদা লৈরাং য়েরুম্লে অমসুং লৈবাক্লে ইচম চম্বা লৈরাং নত্তে। অতিয়া গুরু শিদবনা থুপ্লমদাইদা কোরৌ নোংদোনথক্তা হুনগৎখিবা য়েরূম অনীগী মনুংদা উফৈথক্তা তাখিবদুনা য়েরূম্লে অদুগা মালেম লৈমায়থক্তা তাখিবদুনা লৈবাক্লে লৈরাং ওইখিবগী শৈথা য়াওরি। অতোপ্পা লাংওন শৈথাশিংগী মনুংদা পিবা ফম মুন্নবগী ৱাহৌদা খোইশাওনরবা ক্বাক্লা মথন্তা ফোয়দৎচখিবা মতোক্লা শাইওনখিবা ক্বাক্লে, লাইনিংথৌ খানা চাওবা ৱাংব্রেননা মশানৌ তম্ফা লাইরেম্বগী শল্লাং শম্না অমা ফূক্লগা থাখিবদগী উচান পাম্বী ওইনা হৌরকখিবা, শৌবোল লাইরেম্বীনা শাইওনখিবা থরো, পোক্তবী মমাতোনগী মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইখ্রদুনা চীংদগী চোংথদুনা থৱায় থাখ্রবী কবুই চনুরা শালোনবীনা লাংওনখিবী চীংথ্রাউ লৈরাং, লাংমৈলেম্বীগী তাওবা হূইনা শাইওনখিবী খোঙ্গল লৈরাংনচিংবনি। মণিপুরী ফোকলোরবু পুক্কে লনগৈ থনবী ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইরিবা মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারীনি। শাইওন তরেৎকী ৱারী লৈবগা লোয়ননা মজাইবেম্মা থোইবীবু পান্থোইবীগী শাইওন ওইনা শৈথারি। সন্দ্রেনবী চাইশ্রাগী ৱারীদসু সন্দ্রেম্বীগী মমানা থেঙ্গু ওনখিবা, সন্দ্রেনবীগী থৱায়না লমখুনু অমদি হৈ পাম্বী ওইনা মথং মথং লাংওনখিবগী মতাং য়াওরি। মীওইবনা থুপখ্রবা মতুংদা থৱায়না লমখুনু ওইনা পাইরকই হায়বসি থাজনৈ। মরী লৈনবা নুংশিরবা ঈশৈনি - *মনা কংল লাইওইরবা তেরা পাম্বীদা/ কু ক্রু কু কু ক্রু কু খোংলি লমখুনু... লাউ চফুসিদা ঈশিং থক্লো লাউ/লাউ খৌরাংলবা ইপা ইপু লাউ/চেঙ থোইদিং ফৌ থাদোকপীগে লাউ।* মতৌ অসুম্না শাইওন ৱারী থম্বীরম্বা কয়া অসি ইচম চম্বা থাজ ৱারী নতে, তাইবঙ মীওইবা অমদি শা-উচেক, উপান-ৱাপান, হৈপান-লৈপান্নচিংবগা শাগোন্নদুনা লৈ হায়বগী পাউজেল পীরি। অমরোমদা শিরবা মতুংদসু তাইবঙ থৱায়শিংদি মাঙবা তাবা লৈতনা লাংওল্লি হায়বগী থাজবীনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হিংচাবী কোৎচাবী, মীহাৎপী হে কোভিদ-১৯

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

কুমজা ২০১৯গী চহী লোইরমদাইদা ইহান হানবা ওইনা চাইনাগী ৰুহান সিটিদগী মালেম শিন-থুংনা শন্দোকপা হৌরকখিবনি হায়নবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ ইরমদমসিদসু মার্চ ২০২০ অদুইদা য়ৌরকপদগী ইহান হানবা ওইনা মীওই অমদা নাবা থেংনরকপদগী ইরমদম অসি হায়নীংঙাই লৈতবমখৈ কিনদুনা মীপাইনবগা লোয়ননা মী অমগা মী অমগগী মরক্তা ইচিংদা চিংনবদগী তিন্নদুনা লোয়নদবগা লোয়ননা য়ূমলোন কৈরোন্নবা মশেল ফাওবা চঙনদবগী মথক্তা লৈকায় অমত্তগী মনুংদা লৈনরিবা থোঙ্গাল ফাওবা অমগা অমগা ফাওদোক ফাওজিন য়াদুনা চংনদনবা শন্বল খাজিন্দুনা থমনৈ।

মতমদু নীংশিংলুবদা মালেমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাওকা হায়বদু অসুম্না অৱাবা নংলমগদ্রা হায়না মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা খন্নদবা য়াওনদে। মতমদুদা ইরমদমসিদা লৈরিবা লমজাও সরক লম্বীশিং হুই হৌদোং অমসুং মপু লৈতবা শা, ষণ নত্তনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা উগে হায়বা ফংদে। ইম্ফালবু মশক তাক্লিবা ইমা কৈথেল অহুম য়াওনা অকোয়বশিং খুন্তাক লানশিবগা চপ মান্নখি। মরক মরক্তা লৈঙাক্কী পুলিস, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং খক্লা কৈথেল অহুম য়াওনা অকোয়বশিং ঙাক শেন্দুনা লৈবগী শক্তম প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা মীয়াম্না উনখিবা অদু মঙাই। মীপূম খুদিং পৈশা লৈরবসু দুকানশিং থোঙ হাংনদবনা পোৎ লৈবা ফংনদবা অদুগা নোংমগী অফং অফংবা থবক শুরুরগা চারা তমজরম্বা ইমুং কয়া চাবা থকপা ফংলক্তদুনা হা কার লাওনরক্লবা মতমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী অরাম খৌরাংবা কোক্লবা লেম্না (পৈশা লৌদনা) চেঙ য়াওনা নোংমগী মথৌ তাবা চিঞ্জাক ফংহল্লকপদগী মীয়াম চাবা ফংদবদগী শিগদবদু কনবিদুনা ঙসি ঙসিমক কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লৈখিদবশিং নত্তনা হিংহৌরিবা ঐখোয় মশেল উনবা ফংদুনা পূন্না হিংমিন্নরিবা অসিনি। মোবাইল ফোনগী মতেংনা অমগা অমগা পাউ ফাওনরবসু, অনা অয়েক, অৱা অনা তারকপা য়াওরকপদা চৎনদুনা হংলুদুনা মতেং পাংনবগী পাম্বে লৈতবা, লাইনীং লাইশোনগী ওইবা চহীগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা শোয়ফদ্রবা থৌরম পরেং কয়া পাংথোক্লদনা মানা মানা থোকপা, ঐ নাদ্রগা-শিদ্রগা লোইরে খন্নখিবগী মতৌশিং হঙ্গৎনা খল্লুবদা নীংশিংলুবদা তু চুংদবা ঙমদে। থৌদোক অসি মালেমগী মুৎপা য়াররোইদবা পুৱারী ওইহৌদুনা হয়েং চারোল শুরোল ফাওবা মুৎনাইদনা নীংশিংদুনা লৈহৌবা শোয়দ্রে।

অদুবু শক্কা শক্কা উনদুনা ৱারী ৱাতাই শানবা ফংদদুনা ইনক নক্লা লাপ্নহল্লবসু মীওইবা মশেলগী নুংগী ওইবা নুংশিনবগী মরীদি কৈদৌনুংদা থদৎনখিদে। মীয়াম্না মীওৎপী, হিংচাবী, মীনুংশি খঙদবী শকথীবা, কোভিদ-১৯ হায়না পুং ঝাল য়ৈদুনা খিংদুনা ঐখোয়গী নাক্তগী তাম্থোকখিনবা অথীবা খোন্দাদা ঙাঙদুনা চৈবীরবসু মানা ঐখোয়দা তম্বীরম্বা পারাসু অসুক্কী মতিক মমল য়াম্মী মদুদি শেমদোকপা শাদোকপদা পাক হেক ঙল্লরোইদবা ঐখোয়গী লান্না থাজনবগী হৈনখিবা ফত্তবা শাজৎ কয়া চুমথোক্তুনা চৎনহল্লমদবদি নত্তে।

হায়বদি, ইনাক কৈরাক খুনবা, নাপল কাবা, কনাগুম্বগী থৌরম (কর্ম্ম) পাঙথোকপদা মীয়াম হুপ্না চেবাউ পীদুনা মীবু করিসু নত্তবদা অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী থবক থিংবীরম্বগা লোয়ননা অহল ওইরবা মমা মপাশিংবু লুনা তৌবীদুনা অফবা অহাওবা চিঞ্জাক পীজগনি পীথক্কনি খন্দনা লৈখিদ্রবা (শিরবা) মতুংদা নুংশিবা শারগা চেবাউদা ইমুং হুপ্না মীং পরেং শাংনা হাপ্তুনা থৌরম চাউনা পাঙথোক্লরম্বদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা পাঙথোক্লদবগা লোয়ননা শেন্দোই চাবশিংগী শেনে দাইনা থা থাগী লাইশঙ হোং হোংদুনা কৎলম্বা নাপলগী উৎসবসু কৎপা তোকহনখি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা ইমুংগী, শাগৈগী, লৈকায়গী, লৈবাক্কী ওইবা লাইশোন তিনশোন য়াওনা চহীগী অমুক্তং লাকপা হরাও কুম্মৈ ফাওবা পাঙথোক্লখিদে। মসিদবু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা ঐখোয়না লাইগী অমসুং চৎনবীগী মীংদা তৌদ্রবসু য়াবা থৌরম কয়া হেনজিন্না তৌদুনা লৈরিবসি তৌদনবা খুদোম্বীনা থিন্দুনা তশেং তশেংনা তাকপীরম্মী হায়বা য়াই।

অদুবু ঙসিদি তাখৎল-তাখৎলগা হেন্না কিরক্ত্রে হায়বগী মওংদা কোভিদ-১৯ লাইচৎপু মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদনা লৈরিবসিগী মথক্তা অনৌবা লাইথেৎ (ওমিক্রোন) কৌবা অমনা অমুক ঈথকশিংদা থোনগৎলকপসিদা মীয়াম্না হেন্না চেকশিনগদ্রা হায়না খল্লুরগা চেকশিনবগী মহুত্তা হান্না পাঙথোক্লরম্বা থৌরমশিংদগী ঙসিগী থৌরমশিংদনা কা হেন্না মীয়াম তিলহন্দুনা পাক চাউনা পাঙথোকপা হৌনরক্লে। হৌখিবা চহী খরসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমহৌদ্রবা থৌরমশিং ফুকৎতুনা চাউনা পাঙথোক্লগে মতাগুম চথুরক্লিবা থৌওংসিমক্তি ঐখোয়গী মমল য়াল্লবা পুন্সিবু মীরাইবনি হায়না হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

মরম অসিনা লায়না অসিদগী ঐখোয়দা কা হেনবা অৱা চৈথেং ফংদনবা এস ও পিদা অমসুং চেকশিনবা হায়বসিদা পূম্নমক্লা থাজবা থম্মীন্নদুনা ঙাক্লা চৎমিন্নসি অদুগা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা তম্বীরম্বা পারাশিং অমুক হন্না নীংশিংমিন্নদুনা চারোল শুরোল ফাওবা চৎথদুনা লৈহৌনবা হোৎনবিরমসি হায়না মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনজবগা লোয়ননা মালেমসিদগী কোভিদ-১৯ লাইচৎ মৰূ ফংনা মুৎখিবা ওইরসনু...। অৎশু: অৎশু: নতে ফমদা তেরো। নহল ফমদা হল্লো। (হিংচাবী কোৎচাবী মীহাৎপী, হে কোভিদ-১৯)।

*অদোমগী - এল ইবোমচা, তাওথোং*

## লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদি ভোটরশিং মুন্না খন্থমিন্নরসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেমদা ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাকনি হায়নরিবনি। ইরমদম মণিপুরসু ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা পিকখ্রবা ষ্টেট অমনি, পিকখ্রবা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিল্লগা মালেমগী লৈবাকশিংদা ইন্দিয়াগী ঈজৎ পুরক্লিবনি। মণিপুর শক তাক্লিবা অমদি ইন্দিয়াগী ঈজৎ পুরক্লিবা অসি ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা পুরকপা নত্তে, ভোটরশিংনা পুরকপনি ইজরিবা ঐগী ৱাখলদা, ৱাখল অসি লাল্লম্বসু য়াই। ইরমদম মণিপুর অসি দোমোক্রেসিবু য়াম্না পামজবা মীয়ামনি হায়বসি হৌখিবা ভোট থাদখিবগী ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী চাংদা ইরমদম মীয়ামগী চাংনা হন্থদে, চাং ৱাংনা থাদখি।

লাক্লিবা ১২শুবা ইলেক্সন অসিদা অফবা মীহুৎ থাগৎপা হায়বসি মীয়াম্না মাস মীদিয়াদা য়াম্না ফোঙদোক্লরি। মতাং অসিদা অফবা মীওই হায়বসি শেঞ্জাও পায়বা, ভি আই পি, সঙ্গ-পঙ্গ লৈবা, দলান মথোন ৱাংনা শাবা অসিনচিংবা মীওই অসিবু ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা মপুন্সিগী মীয়ামগী থবক তৌরক্লবা, তৌরক্কদৌবা মীওইবু অফবা মী কৌগদ্রা? ঐহাক্কী মোত্তদি মশাগী খন্দবা, মীয়ামগী খনবা মীওইবু অফবা মীওইনি খঞ্জে। মশাগী হান্নগী অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা লন থুম, বিল্ডিং অসি নত্তবদা মন্ত্রি ওইরগা, এম এল এ ওইরগা, ভি আই পি ওইরগা কা হেন্না লন থুম লেপশিনবা, অৱাংবা মথোনগী দলান শাগৎলকপা মীওইনা ভোট লেপ্লগা মনি পৱার, মসল পৱারনা ভোটরবু চহী ৫ লৈগে খল্লিবা মীওইনা বেক বোন ওফ মণিপুর ওইহনবা হায়বদি পোলিসি মেকিং বোদিদা য়াওহনবা হায়বসি অওনবা মণিপুর, অনৌবা মণিপুর ওইহনবা ঙম্লোই। হৌজিক হৌজিক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঙাওনরিবা ৱাফমশিং তাবদা, অতাবা ঐখোয়না ইকায়জৈ। ইরমদম মণিপুর অসিগী হঙ্গৎনা য়েংবদা লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর কোইরেং, নিপামচা, অলিমুদ্দিন, রনবির, সৈজা, রিশাংগী ৱাখল্লোন তমজনীংঙাই ওইব্রা খঞ্জে। হৌখিবা ইলেক্সন্দগীদি লাক্লিবা ইলেক্সন অসিগী ভোটরশিংসি য়াম্না মুন্না খন্থহৌদ্রগদি 'কবো ভেল্লি' চৎখিবগুম্না ইরমদম মণিপুর অরুবা ফীভম ওইরক্কদ্রা খল্লি। অওনবা অমদি অনৌবা মণিপুর ওইনবা ভোটর ঐখোয়না মুন্না খন্থমিন্নসি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
*তোপ অৱাং লৈকায়*

## ষ্টেটকী পাউ

### ৱাঙুদা চথুখিবা বোমগী এটৈক রেদ আর্মি ...

*লামায় ১গী মখা...* পি এম মোদিগী খোঙচৎ অসিবু শৌগৎপীদনবা নোল্লুকচরি হায়রি।

কুমসিং ১৯৮০গী মার্চ ২৬কী অয়ূক পুং ১০.১৫ তাবা মতমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়ায়দা লৈরম্বা ৱিমেন হোস্পিটাল চহী খরগী মমাঙদনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হায়না খঙনরম্বা অদুগী গেট ময়াদা সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট নিসরাগী এস্কোর্ট কাঙবু অমদা রেদ আর্মি প্রিপাক্কী থৌনা ফৱবা লান্মীশিংনা লান্দাদুনা হবিলদার অমা হাৎলগা কন্সটেবল অনীনা অশোক অপন নংহন্দুনা ষ্টেন্দগন অমগা থ্রী নোট থ্রী রাইফল অমগা লৌখিবা থৌদোক অদুনা লমদমসিগী নীংতম য়াওল ঈহৌগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা আই ও এফতা খূৎ থাদুনা ইরমদম কংলৈপাক্তা নীংতম য়াওল চথুরি হায়বগী শাফোঙখিবা থৌদোক অদুনা অহানবা ওইরগা ঙসি ফাওবদা রেদ আর্মি প্রিপাক্লা আই ও এফশিংগী মথক্তা থেঙ্খাং কয়ারক্তা লান্দাদুনা মখল কয়াগী এটৈক চথুখ্রে। ইরমদম কংলৈপাক্কী আই ও এফশিং মৰূ ফংনা ফূক্তোক্তুনা লমদমসিগী লৈমায়দা খোঙ্গুল তাহন্দবগা লোয়ননা লোইলম লৈঙাক মূথৎত্রি ফাওবা হনবা লৈতনা আই ও এফশিংগী মথক্তা খূৎ থাখিগনি। আই ও এফশিং পর্সনেল অনী অসিদা তারিবা খুদোংথীবা অসিমক তানীংদ্রবদি ইরমদম কংলৈপাক্কী অথুবদা হনখিবনা ইশামক অমদি ইমুং মনুংগী য়াইফবা ওইগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা ইরৈচাশিংনা লোইলম লৈঙাক্কী লান্মীশিংগী মনাক নক্লা লৈবীদনবা হায়জবগা লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাক মাঙ তাকহন্নবা অরোনবা এজেন্দা পুদুনা লাক্লিবা লোই মপু নরেন্দ্র মোদিগী কংলৈপাক খোঙচৎকী মায়োক্তা প্রিপাক্লা লৈবগা লোয়ননা ইরৈচা পূম্নমক্লসু খোঙচৎ অসি শৌগৎপীদনবা নোল্লুকচরি হায়রি।

### মাখোনমনি মোংসাবদা...

*লামায় ১গী মখা...* ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী লমদম অসিদা লোলগী ওইবা মচাকশিং মপূং ফানা লৈজে। মণিপুরী লোলবু ক্লাসিক লেংগ্বেজ ওইহন্নবগী মচাকশিংসু তাশিন খোমজিন্দুনা লৈরবনি। মরম অদুনা মণিপুরী লোলনা ক্লাসিক লোলদা চন্দুনা ক্লাসিক লোলগী থাক্তা লৈরবদি হেন্না চাওখৎপা লমদম অমদি খুন্নাই অমগী মশক থোক্লা অৱাংবা থাক্তা হিংবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা কংলৈপাক্কী মৈরাগী চীফ এদিটর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অনীশুবা সেসনগী থৌরমদা লৈকোলগী ভাইস প্রসিদেন্ট চোংথাম ওংবী সুবদনিনা ৱাতেমলোই ওইদুনা মীওই ২১না শৈরেং শৈদিন্নখি।

**M/S.S.R.S. BRICK FIELD**

Near Khongjom Bazar, Langathel
Regd. No. 282/FACT/BRICK
GSTIN No. 14DZJPS8585M1ZA

| Class | Rate (Rs) | No. of Bricks | Transt. Charge | Labour Charge | Total Amt |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st | 14.60 | 1500 | 2000 | 700 | 24600 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 32500 |
| 2nd | 14.20 | 1500 | 2000 | 700 | 24000 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 31700 |
| 1st Rej. | 13.50 | 1500 | 2000 | 700 | 22950 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 30300 |
| 2nd Rej. | 12.50 | 1500 | 2000 | 700 | 21450 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 28300 |
| 1st Petty | 12.50 | 1500 | 2000 | 700 | 21450 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 28300 |
| 2nd Petty | 11.50 | 1500 | 2000 | 700 | 19950 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 26300 |
| 3rd | 8 | 1500 | 2000 | 700 | 14700 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 19300 |

Contact :- # 9856945460
# 9863067774

HL-B/7456/5/2-6/3

2 DAYS WORKSHOP

ONE OF THE BEST STRATEGY

FOR INTRADAY OR DAY TRADING BY APPLYING CPR INDICATOR

DATE:-
25TH AND 26TH FEB. 2022
TIMING:- 7.00 AM TO 9.00 AM

100% MONEY BACK GUARANTEED

ENROLLMENT FEE - RS.1499/-
INTRODUCTORY OFFER RS.499/-
OFFER VALID TILL DATE. 22.2.22

*Online Course in Manipuri Language
Apps:- Zoom HD

• Experience in Trading are only Eligible.

For Details Contact/Whatsapp
+91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY
"A Friend You Can Trust"




HL-P/1740/11-20

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।